ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯲, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, ওক্টোবর ০২, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১৮৩শুবা মশীং

# লম্চাংদা অমাং-অশোই তৌশিন্দবা

## স্বাছ ভারত মিসন মায় পাক্লে হায়বা য়াগদৌরিবরা

স্বাছ ভারত মিসন পায়খৎখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ইন্দিয়াবু লম্চাংদা অমাং-অশোই তৌশিন্দবা লমদম ওইরে হায়না লাউথোক্কদৌরি। মহাত্মা গান্ধীগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা গুজরাতকী সবরমতি তুরেল তোর্ব্বানদা ভিলেজ চীফ ২০,০০০ লোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ইন্দিয়াবু "ওপন দিফেকেসন ফ্রী" ওইরে হায়না লাউথোক্লগনি। লৈবাক্কী মপানি হায়নরিবা মহাত্মা গান্ধীনা পামজরম্বগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৪গী ওক্টোবর ২দা স্বাছ ভারত মিসন হৌদোক্তুনা লৈবাক্কী মফম পুম্নমক লূ-নালহন্নবা অমসুং লম্চাংদা অমাং-অশোই তৌহন্দনবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি। স্বাছ ভারত মিসন মায় পাকহন্নবগী পান্দমদা হৌখিবা চহী মঙারোম "ইনফোর্মেসন, এদ্যুকেসন এন্দ কম্যুনিকেসন" (আই ঈ সী)গী থবক থৌরমশিংদা চাউরাক্না লুপা ক্রোর ৩,৫০০দগী লুপা ক্রোর ৪,০০০ ফাওবা চাদিং তৌখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা দেলবর্গ কন্সলটেন্সি কৌবা কন্সলটেন্সি ফর্ম অমগী রিপোর্টনা হায়, হায়রিবা শেনফম অসিগী চাদা ২০ লোম য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসন, চাদা ৩৫ রোম ষ্টেট সেনিটেসন দিপার্টমেন্টশিং, চাদা ২৫ গভর্ণমেন্টকী অতৈ মিনিষ্ট্রিশিং অমসুং চাদা ২০ লোম প্রাইভেট সেক্টরনা চাদিং তৌখিবনি। লৈঙাক্না স্বাছ ভারত মিসনগী মখাদা য়াম্লবা শেনফম থাদদুনা পব্লিক সেক্টর, প্রাইভেট সেক্টর, মীদিয়া অমদি সিভিল সোসাইটিগী খূত্থাংদা লূ-নালহনবগী থৌরাং অসিবু মীয়াম অপূনবগী ঈহৌ ওইহন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। মালেমদা অঙৈং-অশাগী খল কায়থরক্লিবা অমসুং তোঙান-তোঙানবা মখলগী লায়না কয়া শন্দোরক্লিবা অসিগী য়েংলুরগা অকোয়বগী ফীভম লূ-নালহনবা য়াম্নমক তঙাইফদে হায়বসি পুম্নমক্না য়ানরবা ৱাফমনি। ৱাখল্লোন অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা বিল এন্দ মেলিন্দা গেট্স ফাউন্দেসননা হন্দক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা গ্লোবল গোলকীপর এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুম্নখি। ফাউন্দেসননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, সেনিটেসনগা মরী লৈনবা লায়নাশিংনা চহী খূদিংগী মালেমদা মশাগী চহী মঙা শুদ্রিবা অঙাং ৫,০০,০০০ রোম শিহল্লি। স্বাছ ভারত মিসন পায়খৎত্রিঁঙৈদা মীওই মিলিয়ন ৫০০ রোম সেনিটেসনগী খূদোংচাবা ফংলমদবা ইন্দিয়াদা হৌজিক্তি ফীভম য়াম্না ফগৎলক্লে। অতোপ্পা লৈবাকশিংনা ইন্দিয়াগী মতৌ তমজনিংঙাই ওই হায়নসু বিল এন্দ মেলিন্দা গেট্স ফাউন্দেসননা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা, মীয়ামগী মতেং পাংবগী থবক তৌরিবা সাউথ এসিয়ন অমেরিকন খরনা বিল এন্দ মেলিন্দা গেট্সকী থৌওংবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মশামক উকিলগী শিনফমদা লৈরিবা রিসর্ছ এন্দ জর্নেলিজম পোর্টেল পোলিস প্রোজেক্টকী কো-ফাউন্দর সুচিত্রা বিজায়ননা ফাউন্দেসনদা থাখিবা অফোংবা চিঠি অমনা হায়খি, অসাম অমদি জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা মুসলিম মিলিয়ন কয়া অৱা-চৈথেং পীরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা বিল এন্দ মেলিন্দা গেট্স ফাউন্দেসননা পীখিবা এৱার্দ অদু অমুক লৌশিনগদবনি। থা অমরোম হেন্না জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা মীওই মিলিয়ন ৮ লোম হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লি। কম্যুনিকেসন অমদি মীদিয়া কভরেজ থিংজিন্দুনা মপানগী তাইবংগা ঈ-পাউ অমত্তা ফাওনহন্দ্রে। হ্যুমেন রাইট্স খোঙ্গাওনবগী থৌওং কয়া চৎথরি হায়নসু সুচিত্রা বিজায়ননা বিল এন্দ মেলিন্দা গেট্স ফাউন্দেসনদা অফোংবা চিঠি অমা ইখি। স্বাছ ভারত মিসনগী মরমদা থিজিল্লিবা রিসর্ছর অমনা হায়খি, চহী মঙাগী মনুংদা টোইলেট মিলিয়ন ১০০ হেন্না শাদুনা ইন্দিয়াবু লম্চাংদা অমাং-অশোই তৌশিন্দবা লমদম অমা ওইহন্নবগী মতাংদা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিদা অশোয়বা কয়ামরুম য়াওবা থেংনরে। খুঙ্গংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা টোইলেট মিলিয়ন কয়া শারবসু ঈশিং মরাং কায়না লৈতবা মরম্না মীওই অয়াম্বা হান্নগী মতৌগুম লম্চাংদা অমাং-অশোই তৌশিনবগী ফীভমদা লৈরি। মমাঙ চহীগী এপ্রিল থাদা "ওপন দিফেকেসন ফ্রী" ওইরে হায়না লাউথোকখ্রবা মধ্যা প্রদেশকী খুঙ্গং অমদা হন্দক চহী নৌরিবা অঙাং অনী হাৎখিবগী মতাংদা রাইস ইন্সটিট্যুটকী রিসর্ছ ফেলো সঙ্গিতা ব্যাসনা হায়খি, খুঙ্গংগী অপীকপা খাংপোকশঙ অমদা লৈজবা মশাগী চহী ১২ শুবদা ঙায়রিবী নুপীমচা অমগা চহী ১০ রোম শুবদা ঙায়রিবা নুপামচা অমগা লম্চাংদা অমাং-অশোই তৌশিল্লম্মী হায়বগীদমক ফূব্দা শিখিবনি। মতৌ অসুম্না লৈঙাক্কী ওফিসল অমসুং স্বাছ ভারত মিসনগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা "ওপন দিফেকেসন ফ্রী"গী পান্দম ফংলে হায়না মালেমগী মীয়ামদা উৎনিংমনবদগী কা-হেনবা থৌওং চৎথরকপদা মী শিবা অমসুং শোকপগী থৌদোক কয়ামরুম থোকপা লৈখ্রে। অকোয়বগী ফীভম লূ-নালহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিবু তরাম্না ওকফম থোকই। অদুবু টোইলেট মতীক চানা থম্নবা অমসুং ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎত্রগা লম্চাংদা অমাং-অশোই তৌশিল্লি হায়বগীদমক ফূব্বা-চৈবগী থৌওং চত্থরকপা তারবদি অচুম্বা খোঙথাংনি হায়নগদবা মান্দে। ফনা ফজবা পান্দম ওইরগসু লৌখৎলিবা থৌরাং অদুনা শোয়বা তারবদি ওন্ন-তৈনবা মায়কৈদা চৎখিবদগী পান্দম ফংবা ঙমদবসু য়াই। হীরম অসিগী মতাংদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী এম পি বিনয় বিস্বামনা হায়খি, হৌজিক হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নোর্থ ইন্দিয়াগী মফম খরদা ট্রেন তোংলগা চৎপদা ইন্দিয়াবু লম্চাংদা অমাং-অশোই তৌশিন্দবা লমদম ওইরে হায়না লাউথোকপা য়ারবরা হায়বদু ইরায় লায়না খঙবা ঙমগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৫

১। মণিপুরগী পুৱারীদা জননেতা ইরাবতকী মফম চাউনা লৈরি। সেপ্টেম্বর থানা লাকপদা লৈবাক হুপ্না মাবু নীংশিংনরি।
(ক) জননেতানা সিলেটতা তম্লম্বা স্কুল অদুগী মমিং হায়য়ু।
(খ) জননেতানা অরোইবা য়াহিপ তানখিবা মফম অদুগী মমিং হায়য়ু।

২। "শেলবু পায়রবদি অতাঙবা লৈতে, ফংদবা লৈতে। কলিদদি শেল পায়বনা রাজানি।" ৱাফমসি 'মমাঙথোঙ লোল্লবদি মনীংথোঙদা লাকউদনা' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ক্ষেত্রি বীরগী নোবেল অমদা গোপাল কৌবা অমগী নুপী টিমগী থৱায়না কাছাড়দা মপোক অমদা পোক্তুনা লৈরম্বা থেংনৈ। নোবেল অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। আর কে সনাহনবীগী ৱারীমচা অমদা কলাবু নুংশিজরুবী কনাগুম্বী অমবু কলাকার অদুনা মমায় কনশিল্লক্তুনা লৈফম খঙলক্তবা মতাং অমা উৎপা থেংনৈ। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "নঙগী নাপলগী থৌরবা তিঙ্খাংনা/কনথৎলম্লবা ঐগী থমোয়দা/করিগী শোক্লরি অমুক নৌনা/হূ তৈরবা নঙগী নখূৎনা।" পরেংশিং অসি মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবা অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৪গী পাউখুম ৫ চুম্না থাবীরকখিবশিংদি

| | |
|---|---|
| ***১) সীনেদা থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেজোর মমাঙ লৈকায়*** | ***(৫)*** |
| ২) দোনেশ্বরি থিয়াম, চীংমৈরোং মমাঙ লৈকায় | (৫) |
| ৩) চিরোম সুরজিৎ সিংহ, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৫) |
| ৪) কে মেমি দেবী, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৫) |
| ৫) নিংথৌজম নিমোতা চনু, ময়াং ইম্ফাল থনা মমাঙ লৈকায় | (৫) |
| ৬) লাইময়ূম অমরজিৎ শর্ম্মা, য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকায় | (৫) |
| ৭) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেজোর মমাঙ লৈকায় | (৫) |
| ৮) মৈত্রম সোফিয়া (নিংশিলেম্বী), য়াইস্কুল জন্মস্থান | (৫) |
| ৯) এম শরতচন্দ্র সিংহ, লম্বোইখোংনাংখোং | (৫) |
| ১০) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা, লমশাং | (৫) |
| ১১) থোকচোম রবিচন্দ্র, কোংবা লাইশ্রম লৈকায় | (৫) |

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১০৪গী ৱিন্নর

***সীনেদা থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেজোর মমাঙ লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)***

লিটরেরি ক্যুইজ ১০৪গী মনা লাম্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম ওক্টোবর ৬, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লাম্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৪গী পাউখুম

১। ঐখোয়গী পুৱারীদা কাউবা য়াররোইদবা মীশকশিংগী মনুংদা নিরঞ্জন সুবেদারসু অমনি। মহাক মৈতৈ নত্তে, নেপালিনি, ছেত্রি শাগৈনি। মাবুসু সাহেবনা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিবনি।
(ক) মহাক ফাঁসি তৌখিবদু কুমজা ১৮৯১গী করি থাদনো? **: জুন।**
(খ) মাবু পোকপা অপোকপগী মমিং করি কৌবগে? **: দরিয়া সিং ছেত্রি।**

২। "ফনা নুংশিবা কোকিলগী খোঞ্জেলসু ওইসনু। ... নূংনা শাবা থম্মোয়দা অরেম্বা ওইগনি।" ৱাফম অসি উপন্যাস, 'কালিমাই মমাঙদা লাইবক কৎপসু য়াওই, কত্তবসু য়াওই' হায়বা অদুদগীনি। অইবদু কনানো হায়য়ু। **: পাচা মৈতৈ।**

৩। "শেন্দাং মচা অমা/পাইথোক্লকই পাইবা ঙম্মোই ঙমদবোই লৌবুক্তা/খুনুং খরং অমনা তাপ লাকখি।" পরেং অহুম অসিনা, 'বসন্ত ওইগেরা, নাকেন্থা ওইগেরা' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। কবি অদুগী মমিং হায়য়ু। **: রঘু লৈশাংথেম।**

৪। "মচা পোকমিন্নরিবা মাগী নুপীবু হাৎকে হোৎনবা নুপা অমতা তাইবঙপানসিদা পোকহনবীরনু। মীগী নুপাবু ফাদুনা মৱা ওইবা ঙম্বী নুপীসু অমতা পোকহনবীরনু।" ৱাফম অসিমনা 'অহিংসিনা লোইদ্রিঙৈ' কৌবা উপন্যাস অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো? **: শারুংবম বীনোদিনী।**

৫। "ঐগী নুংশি লম্বীদা/মাবু অমুক উররোই/মরক মরক মঙলান্দা/লাকপা নত্তনা লাক্লরোই।" পরেংশিং অসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো? **: উলেন মীতৈ।**

# মতমগী ৱাফম

## চাইথোরকপা ৱাখল

### নরেন্দ্র নিঙোম্বা

লমদম অসিনা তুংলমচৎকী ওইনা য়েংলুবদা থেংনগদবসি ওখাক য়াম্মী। মপান্দগী থোমজিল্লকপা মীতোপ মীয়ানচাশিংগী অচৌবা ৱাফম মচি লেংদনা লৈরি। ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমগী মতাংদা লৈবাক মীয়ামগী ওইবা অচৌবা ঈহৌ অমা হৌরক্তুনা মমল য়াম্লবা রোবিনহুদকী থৱায় অরেম্বদা মাঙখিবগী হৌজিক ফাওবদা নুংনাংবা অমতা কোক্ল দ্রি। মরাইবক্তা তম্লম্বনি হায়না পাম্বে লৈতনা ইমু- মনুংসু ৱাখল ফাথরি। মসিদা নত্তনা মীচম মীয়াম কয়া অমসু অশোক-অপন নংখি। চাওনা হৌখ্রবা ঈহৌনি। মণিপুরগী মরু ওইনা তম্পাক লম খুদিংমক মৈ হৌখি হায়বা য়াই। মমৈথংদা মদুগী মতাংদা এসেমব্লিদা পুথোক্তুনা বিল পাস তৌখ্রবসু ইন্দিয়া লৈঙাক্না ৱা ওইনা লৌখিদে। মদুগী মখা তারকপদা অনৌবা বিল অমসু অমুক পাস তৌদুনা হান্না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা থমখ্রবা মতুংদা হৌজিকসু অমুক করি তৌখ্রবগে হায়বা ৱাহং ওইনা লৈরি। অয়াবা পীরক্ত্রি, মসিগী চৈরাক অসিদা অমুক নৌনা সী এ বি হায়বা অমা অমুক চৎনরনি হায়না পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা পাস তৌখ্রবা মতুংদা রাজ্য সভাদা অরোইবা ওইনা পুথোক্তুনা পাস তৌনবা থৌরাং তৌখি। অদুবু লৈবাক মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ লৈবা, অমদা পুথোক্লগা মায়থীবা নংবা য়াই হায়বা খঙবদগী পুথোকপদি ঙমখিদে। মতমদুদা সী এ বিগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা খোঙজং অদু কনানসু হৌনরুবা নাইখিবা নত্তে, কনা অমত্তনা ইনশিনখিবসু নত্তে। অদুবু থীংবা ঙমদবা অচৌবা ঈহৌ অমদি ওইখি। কৈথেল ফম্বী ইমা-ইবেলশিংদা মখল কয়াগী মীকায় বোম, মীথুপ বোম কয়া কাপ্তুনা শাথিনা অশোক-অপন নংহনখি। ইমা কয়া হোস্পিটালদা থা অমা হেন্না লায়েংদুনা ফমুংদা তাদুনা লৈখি। অনৌবা মীখল অমা পাঙথোকখ্রে। মীখলদুসু নীংথিজনা চেক মোক লাওদনা অদুম কাখ্রে।

হৌজিক অমুক সী এ বি হায়দুনা পুথোক্তুনা চৎননবা থৌরাং লৌখৎলনি হায়বগী মথি ফোঙদুনা হায়রে। লৈবাক মীয়ামদি তুমিন লৈরি। সিগী মথংদা অমুক এন আর সী হায়বা অমা অমুক চৎনহল্লনি হায়বসু তারি। মসিদা মীয়াম্না য়ানীংদ্রিবা ৱাফমসি, ঐখোয়গী হান্না লৈজরিবা য়েলহৌমীগী মশীং অসি মপান্দগী থোমজিল্লক্কনি হায়না চিংনরিবা মীয়াম্না থোমজিল্লক্তুনা হান্নগীসি মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈতবা অসিনি। মসিদা নত্তনা লমদমসিদা লৈজরিবা কাঙলুপ ফুরুপ কয়াগী কলচরেল আইদেন্টিটি কয়া অসি পুমতোই তোইনা থুগায়রকপা য়াবগী ৱাফম কয়াশিং অসিনি। মসি ইরায় লায়বা, কৈসু তৌরোই হায়নসু হেক্তা হায়বা য়াদবা ৱাফমনি। মসিগী খুদমসি ইফোং ফোংনা মীয়াম্না উনরবা ঙাক্তনি। ত্রিপুরাদা ত্রিপুরি করি ওইরি হায়বা ৱাহং অসি লাকপদা মসিগী চপ চাবা পাউখুম অদুম মশানা ফংজবনি। ইন্দিয়াগী অতৈ অচৌবা ষ্টেটশিংদগী কৈসু থোইদোক্না অৱাবা লৈতবা য়াই। মরমদি লম য়াম্না চাওবা, লমলেম ময়াম অমসু লৈবা, অদুনা মী তাশিনখিবদা ইকোম কোম্না লৈখিবা য়াই। মণিপুরগুম্বা খুবাকমুক্তা পাকপা লমসিদদি অকিবগী মশক্লি। হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফীভমশিং অসি হন্না য়েংলুবদা শাথিনা অৱাবনি। লম অমত্তা লৈরক্ত্রে। লৌ উনবা মফম লৈশিল্লক্ত্রে, মীশিংদি নোংম-নোংমগী য়াম্বা হেজিল্লক্লে। অদুনা লৌ উনরিবা লৌফম কয়া ইঙ্খোল কোয়শিন্দুনা য়ুম শাজিল্লকপা, লৈঙাক্কী চাওখৎ-থৌরাংগা মরী লৈনবা শঙলেন কয়া শাজিল্লকপা অসিনা লম অসি অসুক্কী মতিক পিকশিল্লে। মপান্দগী থোমজিল্লকপা মীয়াম্না মণিপুরগী চীং-তম অনীমক্তা খুন্দাশিন্দবা লৈরক্ত্রে। মণিপুরগী হান্না লৈজরম্বা লম ফাওবা মখোয়গী মমিং ওন্থোক্তুনা থোন্নখিবা কয়া অমা লৈখ্রে।

মসি তুংগী ওইনা য়েংলুবদা হৌজিক্কী মীরোল অসিনা তৌদবা য়াদবা ঙাক্তনি। করিনো অমা চপ চাপা ঙাক্লৌ পীনবা নীংথিনা চৎন-য়ানরোল অমগী মখাদা শম্বল খাহৌদ্রবদি তুংগী মীরোল অমগী মখাদা নীংথিনা ৱারৌনহৌরগনি। মসি ঙসিমক ঐখোয়গী মাঙদা তাদুনা লৈরিবা অচৌবা লাঞ্জং অমনি। ঙসি হৌরক্লিবা নহাশিং অসিগীদমক অমদি তুংদা লাক্কদবা মীরোলগীদমক, লমদগী, ৱাখলদগী, লৌশিংদগী অমদি হৈ শিংবা কয়াশিং অসিগীদমক চেকশিন থৌরাং খরা লৌখৎহৌদ্রগদি তুংগী মীরোল মাঙদা লৈখ্রবা কয়াগী মোঙফমদা খোঙপাক্না কাউরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে।

ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংনবগী ঈহৌ কয়া অমা মণিপুরদা লৈখ্রে। মণিপুরগী মৈরা পায়বী অমদি নিশা বন্দ হায়বা অসে মালেমগী মফম অমত্তদা লৈতবা, লমদমসিগী নুপীশিংগী ওইবা অঙকপা থৌনা লিংজেল অমনি হায়বসি পংহায় হায়জিনবা নত্তে। মণিপুরদা লৈরিবা নুপী-ইমাশিং অসিনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্না লাকশিল্লক্লবা খুন্নাই অসিদগী মচা মশুশিংবু কন্নবা অমদি লমদম অসিগী তুংগী মীরোলগী খন্দুনা হোৎনজরকপা কয়া অসিদি শীংথানিংঙাই ওইরিবনি। খ্বাংচেৎ লাক্তুনা অহিং তূমদনা খুত্তা মৈরা পায়দুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংনবা হোৎনজবা, কাঙলূপ-কাঙলূপ হৌনদুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজং কয়া অসি লমদম অসি কলহৌনবগীদমক্তনি। শেলগী খল্লগদি দ্রগ লল্লোনবসি শেল য়াম্না পায় হায়, ঐখোয় লোইনা দ্রগ লল্লোলসিরা শেল পায়নবা ? দ্রগতগী ঙাঙথোক্লবা মীয়াম অসিনা অসুক কন্না হোৎনজরিবা কয়া অসি মরন্নাইগী অমত্তা ওইগনি নীংদে। এক্ট ইষ্ট পোলিসিগা ইরোইননা ট্রান্স এসিয়ন হায়ৱে হায়বা অমা লাক্লিবা অসিগী ঙাইহাক পোত্থাফম অসি মণিপুর ওইগদৌরিবনি। লাক্কদৌরিবা লম্বী অসিগী য়েংলগা অমদি হৌজিক মালেমগী ওইনা লৈরিবা দ্রগ রোদ মেপ অসিগা পূন্না য়েংমিন্নবা মতমদদি মণিপুর অসি দ্রগকী ওইবা খ্বাইদগী মরু ওইবা মকোল অমা ওইনা শেন্লকপা য়ারিবনি। মসিদগী ঐখোয় করম্না ঙাকথোক্কদগে অমদি মসিদগী করম্না নাম্থোক্কদগে হায়বসি লুনা খন্নবা মতমনি।

চৈরক অসিদা গঞ্জা থারগা শেন্দাল লম্বী অমা শেমগৎকনি হায়রি। শেল-থুমগী ওইনা য়েংলগদি থোইদোক্না কান্নবা য়াই, মণিপুরগী গঞ্জা হায়রগদি মপান্দা য়াম্না পাম্লে অমদি মমল তাঙই হায়বসি লোইনা খঙনৈ। অদুনা মণিপুরগী গঞ্জা অসি মমিং য়াম্না চৎলি। মসিগী অরোনবা বিজিনেস তৌবা মীওই কয়া অমা সনা ইংগ্রি শীৎখ্রবনি। অমুক্কী খোঙচত্তগা হৌই হায়নরিবা গঞ্জাগী ৱাফমসি হৌজিক লৈঙাক্না অসিনা ঙাক্লৌ পীরগা নীংথিনা থাহল্লগা য়োন্নবগী অমদি মসিদগী অহেনবা শেনফম কয়া ফংহৌনবগী খন্নরক্লিবা অসি মুন্না নৈনবা ফগনি খল্লি। মসিগী কান্নবগা মসিগী মাঙজবগা অনী অসি কনানা হেনগদগে হায়াবা অসি নৈনফম থোক্লে। গঞ্জা থিংনা থিংনা মণিপুরগী অফবা গঞ্জানা মণিপুরগী নহা অহল কয়া ঙাওরগা চৎনবা, শোরোক তাবা কয়া অমা য়াওনরি। গঞ্জানা ঙাওবসিদি শাথি, অমুক হন্না ফবা ঙমবগী ৱা লৈতে হায়বসি হায়নদুনা অদুম লাক্লবা অমদি উদুনা লৈরবা ঙাক্তনি। মসি অমুক ইফোং ফোংনা থানরগা য়ূম খুদিংগী গঞ্জা লোক্ল রক্লবদি করি ওইরকপা য়াবসু য়েংদবা য়ারোই। য়ুগী দ্রাই ষ্টেটনি লাউথোক্লিবা লমদমসিদা য়ুদা লাইচুদুনা শিখিবা ফর-ফরবা মীসি ওখাক য়াম্মী। পাম্মুরবা ফিজিগী মনি কয়া য়ুদা ইরাক্নদুনা নৌনা পুন্সি কেমখিবা কয়া লৈরবা লমদমনি। হায়রিবসি লমসিদা য়ু য়োনবা থিংলিবনি। গঞ্জা থাহল্লগা পোত্থোক য়াম্না পুথোকহল্লগা ষ্টেটকী ইনকম য়াম্না লাক্কনি হায়না পান্নরিবা অঙ্কসি খরা কুপ্না হোৎনবা ফৈ। লাক্কদেরিবা শেনফমগা মাঙগদৌরিবা থৱায়গা অনীগী অরুম-অয়াং নীংথিনা ওন্নহৌবা ফৈ। ●

# জে এন য়ুগী বি সী জি ভেক্সিনগী মগুন হেনগৎহনবা ঙম্বা নানোকরক্যুমিন

## সাইন্সকী খোঙচৎ

### কুঞ্জো নাওরেম

ট্যুবরকুলোসিস, শম্না টি বি হায়রিবা লায়নাসি মতম অমদা য়াম্না কিনবা লায়না ওইরম্মী; মসিনা মালেমগী অফাওবা মীওই কয়াগী পুন্সি খাঙুথক্তা মাঙহনখি - খুদম ওইনা পল্লবদা, ইনখৎলকপগী পুন্সি তাঙ্কক্তা মমিং চৎলকখিবা রোমান্টিক কবি, জোন কিটস (মশাগী চহী ২৫, ১৮২১), অঙ্কগী লম্দা মালেম নিকহনবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী মেথমেটিক্সিয়ন, শ্রিনিভাস রামানুজন (মশাগী চহী ৩২, ১৯২০) অসিনচিংবা কয়ানি। ফ্রান্সকী অলবর্ট কালমেট অমসুং কামিল গ্যুরিন অনীনা 'বেসিলস কালমেট গ্যুরিন (বি সী জি)' ভেক্সিন পুথোরক্তুনা কুমজা ১৯২১দা মীওইবদা ইহান হান্না শীজিন্নবা হৌরকপদগীদি, লায়নাসিনা নাবগী চাং তপ্না-তপ্না হন্থহল্লকপা ঙল্লকখি। অদুম ওইনমক, চাওখৎত্রিবা অমসুং অনা-লায়েংশঙ মতিক চানা লৈতবা মফমশিংদদি বি সী জি কাপথোকপগী খুদোংচাবা কয়া ফংদনা লৈরকপা অমসুং অঙাং ওইরিঙৈদা বি সী জি কাপখ্রবসু মপূং-মরৈ ফারকপা মতমদা টি বিদগী ঙাকথোকপা ঙমদবা কয়াসু য়াওরকপদগী লায়নাসি মালেমদগী পুংমুৎ মুথৎপদি ঙমদনা লাক্লি।


গোবর্দন দাস (ফম্লিবা) অমসুং অনন্দ রঙ্গনাথন

ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না, কুমজা ২০১৭তা মালেমগী ওইনা মী মিলিয়ন ১০দা টি বি নাখি; মখোয়সিগী মনুংদা মিলিয়ন ৫.৮না নুপা, মিলিয়ন ৩.২না নুপী অদুগা মিলিয়ন ১.০না অঙাংশিংনি। চহীসিদা মীওই মিলিয়ন ১.৬ টি বিনা নাবদগী শিখি; মখোয়গী মনুংদা অঙাং ২,৩০,০০০ য়াওরি। টি বি লায়নাসি ফজনা লায়েংথোক্তবা নৎত্রগা চেকশিন্না লায়েংদবদগী, টি বিগী মহীক *মাইকোবেক্টেরিয়ম ট্যুবরকুলোসিস* অসি মল্টি-দ্রগ রেসিষ্টেন্ট ওইরকখি, হায়বদি মহীকসিবু হাৎপা ঙম্লম্বা হীদাক কয়া মহীকসিবু হাৎপা ঙল্লকখিদে। অদুনা লায়েংবদা অরুবা অমা ওইরকখি। মরম অসিনা বি সী জিগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমা ওইরকখি। মায়কৈ অসোমদা মীৎয়েং থম্লগা, জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি (জে এন য়ু) গী 'স্পেসিএল সেন্টর ফোর মোলিক্যুলর মেদিসিন' গী গোবর্দন দাস অমসুং অনন্দ রঙ্গনাথননা লুচিংবা থিজিন লূপ অমনা বি সী জিগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙম্বা পাম্বে পুথোক্লে হায়না 'ইনফেক্সন এন্দ ইম্যুনিটি' চেফোঙদা ফোঙদোরকখ্রে। থিজিনবগী থবক অসি কলিঙ্গ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দষ্ট্রিএল টেক্নোলোজি (কে আই আই টি), ভুবনেশ্বরগা খূৎশম্নরগা পাঙথোকখিবনি।


জে এন য়ুগী থিজিন লূপসিনা য়াইঙংদা মরাং কায়না য়াওবা 'করক্যুমিন' হায়রিবা কেমিকেলসি শীজিন্নরি। উচিশিংদা পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদা, মখোয়না করক্যুমিনগী নানোপার্টিকলশিং শীজিন্নরগা মপূং-মরৈ ফারবা মীওইশিংবু টি বিনা নাহন্দবা ঙল্লগনি হায়রি। উচিশিংদা বি সী জি টেক্সিন কাপশিল্লবা হেক মতুংদা, করক্যুমিন নানোপার্টিকলশিংদু অমুক কাপশিল্লম্মী। মসিনা টি বি ইনফেক্সনদগী মতম কুইনা ঙাকথোকপা ঙম্বা ইম্যুন মেমোরি সেলশিং (টি সেন্ট্রল মেমোরি সেলশিং) মরাং কায়না পুথোকহল্লি।


টি বিগী বেক্তরিয়াগী কোলোনিশিং

অঙাংশিংদা বি সী জি ভেক্সিন কাপশিনবা মতমদা, 'ইফেক্টর মেমোরি টি সেল' অমসুং 'সেন্ট্রেল মেমোরি টি সেল' হায়না খঙনবা ইম্যুন সেল মখল অনীখক পুথোরকই। ইফেক্টর মেমোরি টি সেলশিংনা তমথীরবা টি বিগী বেক্টরিয়াবু খুদক্তা লান্দাশিন্দুনা হাত্তোকপা ঙম্মী, অদুগা সেন্ট্রেল মেমোরি টি সেলশিংনা অঙাংশিংবু তুং কোয়না টি বিদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। অদুবু সেল মখলসি মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না তপ্না-তপ্না মশীং হন্থরকই; মরম অসিনা অঙাংদুনা মপূং মরৈ ফারকপা মতমদদি টি বিগী ইনফেক্সন তৌরক্তুনা নারকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরকই। অদুনা বি সী জিগী মগুনসি অদুম মাঙহন্দনা লৈহনগে হায়বা তারগদি সেন্ট্রেল মেমোরি টি সেলশিংগী মশীংসি হেন্না য়াম্না পুথোকহনবগী মথৌ তারকই। মসিনা অঙাংদুনা মপূং-মরৈ ফারকপা ফাওবদা টি বিগী ইনফেক্সন্দগী ঙাকথোক্লবগী পাম্বে ওইগনি। মহৌশাগী ওইনা মীওইবগী হকচাংদা সেন্ট্রেল মেমোরি সেলশিং অমসুং ইফেক্টর মেমোরি সেলশিংগী মরক্তা খল চানা (রেসিও অমদা) লৈ। হায়রিবা রেসিও অসি হোংহন্দুনা, সেন্ট্রেল মেমোরি সেলশিংগী মশীংসি হেনগৎহল্লবদি বি সী জি ভেক্সিনগী মগুন তুং কোইনা লৈগদৌরিবনি। জে এন য়ু অমসুং কে আই আই টিগী থিজিন লূপ অসিনা মহৌশাগী অদুগুম্বা রেসিও অদু করক্যুমিন নানোপার্টিকলশিং শীজিন্নদুনা হেনগৎহনবা ঙমখিবনি হায়না প্রোফেসর দাসনা ফোঙদোক্লি।

ইফেক্টর মেমোরি সেলশিংগা চাংদম্নরগা সেন্ট্রেল মেমোরি সেলশিং হেনগৎহনবগী থবকসি অচম্বা থৌওং অমগী মতেংনা পাংথোকখি। মহৌশাগী ওইবা থৌওংদা সেন্ট্রেল মেমোরি সেলশিংনা ইফেক্টর মেমোরি সেলশিংদা ওন্থোরকপদা পোটাসিয়ম আইওন চেনেল (কে ভি ১.৩) হায়বসি চংই। চেনেল অসিবু থিংলবদি, সেন্ট্রেল মেমোরি সেলশিংনা ইফেক্টর মেমোরি সেলশিংদা ওন্থোকপদু লেপখিগনি। উচিশিংদা, নানো করক্যুমিনশিংনা চেনেল অসিবু থিংদুনা থম্মী; অদুনা সেন্ট্রেল মেমোরি সেলশিংনা ইফেক্টর মেমোরি সেলশিংদা ওন্থোকপদু লেপহল্লি। অসুম্না সেন্ট্রেল মেমোরি সেলশিংগী মশীং হেনগৎহন্দুনা বি সী জিগী মগুন মাঙহন্দনা কুইনা লৈহল্লি হায়না থিজিন-চেরোলদুবু ইহান হান্না ইখিবা, জে এন য়ুগী শহীর অহমদনা ফোঙদোক্লি।

অতোপ্পা অমরোমদনা, করক্যুমিন মাক্রোফেজ অমসুং দেন্দ্রাইটিক সেল হায়না খঙনবা পোকপদা য়াওরক্লবা ইম্যুন সেলশিংবু এক্টিভেট তৌহনবদসু মতেং পাংই। টি বিগী বেক্টরিয়াশিংসি মাক্রোফেজদা লৈবা অমসুং চাওখৎলকপা ঙম্মী। অদুবু অমুক্তংবু করক্যুমিন নানোপার্টিকলশিংনা এক্টিভেট তৌখ্রবদি, মাক্রোফেজ অমসুং দেন্দ্রাইটিক সেলশিংনা বেক্টরিয়াশিংবু মাঙহল্লি অদুগা মতমসিমক্তদা টি বি স্পেসিফিক এক্বাইর্দ ইম্যুন সেলশিং (টি ঐচ ১ অমসুং টি ঐচ ১৭) গী চাংসু হেনগৎহল্লি। প্রোফেসর দাসকী মতুংইন্না, করক্যুমিন নানোপার্টিকলশিংনা টি ঐচ ১ অমসুং টি ঐচ ১৭গী চাং হেনগৎহনবদা নত্তনা মতম অমত্তদা অতোপ্পা সেলশিং (টি ঐচ ২ অমসুং Tregs) গী চাংদি হন্থহল্লি। অদুনা বি সী জি ভেক্সিনগী মগুন হেনগৎলকই। মহৌশাগী ওইবা থৌওংদদি, টি বিনা ইনফেক্সন তৌরবা মতুংদা টি ঐচ ২ অমসুং Tregs কী চাং হেনগৎলকই অদুগা মখোয়না টি ঐচ ১ অমসুং টি ঐচ ১৭গী ঙাকথোকপা ঙম্বগী মগুন্দু থিংদুনা থম্মী। অদুনা টি ঐচ ২ অমসুং Tregs কী মশীং হন্থহনবনা ভেক্সিনগী মগুন হেনগৎলকই। মখোয়গী চাংয়েংসি মখা তানা পাঙথোক্তুনা মীওইবদা মায় পাক্না শীজিন্নবা ঙল্লক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়না প্রোফেসর রঙ্গনাথননা হায়রি। ●



করকুমিনগী কিতো মওংগী শক্তম